


# সনালৈবাক স্পোর্টস

SUNDAY, DECEMBER 29, 2013, PAGES 7




*২৯ শুবা জুনিয়র নেসনেল এথলেটিক চেম্পিয়নসিপগী চহী ১৬ মখাগী কেতাগোরি নেসনেল রেকোর্দ অনী থমখ্রবা বেঙ্গলগী চন্দন বোওরী*

*টোপতা লৈরিবা শান্নরোইশিংগা চাউনা মায়োক্লগনি হায়না আশা তৌরিবা ৱারিংকা*

## ট্রাওনা ৱাই দি ও থোইদুনা বি এস এফকা থেংননবা শেম শাখ্রে

FOOTBALL

| TODAY MATCH |
|---|
| ZFC vs TRUGPU (1.30 PM) |

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ ঃ*

টিদ্দিম রোড এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) ক্বাকৈথেলনা ৱাই দি ও হৈনৌখোঙনেম্বীবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বি এস এফ, মণিপুর, নাগালেণ্ড অমদি কাসার সেক্টরগা থা অসিগী ৩০ গী নুংথিল পুং ১.৩০ দা থেংননবা শেম শাখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৫৭ শুবা সার চুরচন্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা ট্রাও অমদি ৱাই দি ওগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা ট্রাওনা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।



ট্রাওগী অহানবা হাল্ফকি গোল অদু এন জি রাহুলনা এল বিক্রমনা লেফ ফ্লেঙ্কতগী পীরকপা ক্রোসতা হেদিংদা ২৯ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। অনীশুবা

**57TH CC MEET FOOTBALL**

গোল অদুনা ৫৯ শুবা মিনিটতা টি ঐচ প্রেমকুমারনা এন মোমোচাগী গ্রৌ পাসতা চনখিবনি।

ৱাই দি ওগী গোল অদুনা ৭৮ শুবা মিনিটতা টি ঐচ কিষন সিংহনা লোব বোলদা চনখিবনি। অহানবা হাল্ফকি শরুক্তগী গোল অমা শোথনা লৈখিবা ৱাই দি ও টিম্না অনীশুবা হাল্ফকি হৌগৎলকপগী মিনিট ১০ অমদি লোইরমদাইগী মিনিট ১০ দা ট্রাওগী মায়োক্তা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নখি।

মেটচ অদুগী ২৮ অমদি ৪৩ শুবা মিনিটতা ট্রাওগী এন জি রাহুল অমদি এল রতন সিংহদা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি। মেটচ অদু আই রবিচন্দ্র, প্রিয়ো, সঞ্জিৎ অমদি কিরনজিৎনা কন্দক তৌখি।

ট্রাও অমদি বি এস এফনা শান্নগদৌরিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতগী মায় পাক্লকপা টিম অদুগা আসাম রেজিমেন্টেল সেন্টর শিল্লংগা মথং থাগী ৩ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা থেংনগনি।

ট্রাওগী মহুৎ শিন্দুনা ফাষ্ট এলভেনতা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি এস পিবা সিংহ, এম মৈনো সিংহ, এল রতন সিংহ, এল বিক্রম, এস সুরচান্দ, এন ধনঞ্জোয়, পি ঐচ প্রেমকুমার, এন মোমোচা, দেনেল এল মার, কে অনন্দ সিংহ অমদি এন জি রোনালনি। সবষ্টিট্যুইটতা সি ঐচ কুমার, কে প্রিয়োকুমার সিংহ, কে ঐচ বিক্রম, এস রতন, এন মোমোচা, এস ঐচ হেরোজিৎ, ঐচ প্রেমানন্দা, এস চুংনৈহেন কোম, দেনেল মার, এন জি রাহুল, টি ঐচ অবোমচা অমদি করনা বাহাদুর সেত্রিনি।

আই দি ওগী ফাষ্ট এলভেনগী শান্নরোইশিং অদুদি এল বোমবোম, টি ঐচ বেবেশ্বর সিংহ, ও রোসন সিংহ, এম সঞ্জোয় সিংহ, কে ঐচ বিশ্বরজিৎ সিংহ, এম জয়কুমার সিংহ, এন ওলেন সিংহ, এ নানাও সিংহ, কে কিরন সিংহ, কে ঐচ কিষন সিংহ অমদি এল সুরজনি। সবষ্টিট্যুইটতা ৱাই দিপক সিংহ, ও প্রিটমকুমার সিংহ, কে রোনাট সিংহ, টি ঐচ গিট মৈতৈ, এস সিংবা কবুই, সি ঐচ ক্লিনটন, এ ব্রেনি মৈতৈ, কে এস ঐচ রতন সিংহ অমদি ৱাই ফ্রান্সিকো সিংহনি।

## য়ুস্থু মণিপুরনা গোল্ড ৬ য়াওনা মেদল ১০ ফংলগা মেদল টেলিগী মকোক্তা লৈরি

WUSHU

**MEDAL TALLY**

| TEAM | G | S | B |
|---|---|---|---|
| Manipur | 6 | 1 | 3 |
| Madhya Pradesh | 2 | 3 | 1 |
| Delhi | 1 | 3 | 0 |
| Punjab | 1 | 2 | 2 |
| Jharkhand | 1 | 1 | 3 |



*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ ঃ*

ৱুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙরাংদগী খুম্ন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা ১২ শুবা জুনিয়র নেসেনেল ৱুসু চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ দা য়ুস্থু মণিপুরনা গোল্ড ৬, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্চ ৩ পুন্না মেদল ১০ ফংলগা মেদল টেলিগী মকোক্তা লৈরি।

ঙসি নীনী চনবা নুমিত্তা য়ুস্থু মণিপুরনা টাওলু ইভেন্টতা গোল্ড ৪ অমদি ব্রোঞ্চ ৩ লৌখি। মণিপুরগী গোল্ডশিং অদু নুপামচা অমদি নুপীমচাগী টাইজিক্বানদা ৱাই অনন্দ সিংহ অমসুং এল মেমেচানা মথংশিংনা পোইন্ট ৮.৩০ অমসুং ৮.২৯ ফংলগা, নন্দাওগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগীদা ঐচ রমানন্দ মৈতৈ অমসুং টি অরিতা দেবীনা মথংশিংনা পোইন্ট ৮.০৯ অমসুং ৮.০৬ ফংলগা লৌখিবনি।

ব্রোঞ্চ মেদলশিং অদুনা নুপামচাগী নন্দাওদা ঐচ কংলৈঙানবা সিংহনা পোইন্ট ৮ ফংলগা, দাওসুগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগীদা ঐচ বিকাস শর্ম্ম অমসুং এন পুসপানা মথংশিংনা পোইন্ট ৭.৫৬ অমসুং ৭.২৯ ফংলগা লৌখিবনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা মধ্য প্রদেশনা গোল্ড ২, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্চ ১ ফংদুনা মেদল টেলিগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি। দিল্লীনা গোল্ড ১, সিলভর ৩, ঝরখন্দনা গোল্ড ১, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্চ ৩ অমসুং পঞ্জাবনা গোল্ড ১, সিলভর অমদি ব্রোঞ্চ ২–২ ফংদুনা লৈরি।

## আর্সেনেলনা ঈ পি এলগী মকোক্তা অমুক লৈখ্রে

### *সিটি ,চেলসি মায় পাক্তুনা ২শুবা অমদি ৩শুবদা লৈরি*

BARCLAYS PREMIER LEAGUE

**EPL STANDINGS**

| TEAM | MP | W | D | L | P |
|---|---|---|---|---|---|
| Arsenal | 18 | 12 | 3 | 3 | 39 |
| City | 18 | 12 | 2 | 4 | 38 |
| Chelsea | 18 | 11 | 4 | 3 | 37 |
| Liverpool | 18 | 11 | 3 | 4 | 36 |
| Everton | 18 | 9 | 7 | 2 | 34 |

*লন্দন, দিসেম্বর ২৭ঃ*

আর্সেনেলনা ব্রেষ্ট হাম্বু গোল ৩–১ দা মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা অমুক হন্না প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে। অর্সেনেলগী পুন্না পোইন্ট ৩৯ ফংদুনা অহানবদা, মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা অনীশুবা অমদি চেলসিনা পোইন্ট ৩৭ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ঙরাং অপটোন পার্কতা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মিদফিল্ডর সান্টি কজোলাগী মহুৎতা তোমাস রোজিস্কি হাপচিনবগা লোয়ননা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি। মেটচ অদুদা ব্রেষ্ট হামনা অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপদা গোল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থারন্নবসু আর্সেনেলগী ষ্ট্রাইকর থিও ৱালকোটনা গোল অনী অমদি সবষ্টিট্যুট ওইনা চংলকখিবা জর্ম্মনিগী প্লেয়র লুকাস পোদোলস্কিনা মেটচ ৭৯ শুবা মিনিটতা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু গোল ৩–১ দা মায় পাকখিবনি। আর্সেনেলগী মেনেজর ৱেঙ্গরনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিমগী শান্নরোইশিংনা মেটচ শান্নরিঙৈ মনুংদা থৱায় য়াওবা অমদি হনবা লৈতবগীদমক্তা চাওথোকচৈ হায়খি।

নাকল অমরোমদা মমাংগী রাউন্দ ফাওবদা অহানবা পোজিসন্দা লৈরম্বা লিভরপুল মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মখুৎতা গোল ১–২ দা মায়থীহৌবদগী ৪ শুবা পোজিসন্দা হায়থখ্রে। সিটিগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা ইটিহাদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা লিভরপুলগী ব্রেন্দেন রোদজরনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ২৪ শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী ফিলিপি কৌটিনহোনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মিনিট ৭ লৈরবা মতুং মেটচকীনা ৩১ শুবা মিনিটতা মেঞ্চেষ্টর সিটগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিন্সেন কোম্পেনিনা হেদিংদা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেটচকী হাল্ফ টাইমগী মতমদা সিটিজী ষ্ট্রাইকর অলভারো নেগ্রেদোনা য়াম্না তপ্না কাওশিল্লকপা সোট অমা লিভরপুলগী গোলকিপর সাইমোন মিগনোলেটনা থিংবা ঙমহৌদবদগী গোল ওন্থোক্তুনা সিটিনা মেটচ অদু গোল ২–১ দা মায় পাকখিবনি।



চেলসিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখিবা ইদে হজার্দ।

নাকল অমরোমদা ষ্টামফোর্দ ব্রিজতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা চেলসিনা স্বানসিবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে। মায় পাকপগী গোল অদু বেলজিয়মগী শান্নরোই এদেন হজার্দনা মেটচকী ২৯ শুবা মিনিটতা লেফট ফ্রেঙ্ক লোমদগী পুশিল্লক্লগা কাওশিল্লকপা বোল অমা স্বানসিগী গোলকিপর জরহার্দ ট্রেমেলনা ঙাকথোকপা ঙমহৌদবদগী গোল ওন্থোক্তুনা মায় পাকখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সুন্দরলেননা ইভরটনবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। সুন্দরলেনগী মায় পাকপগী গোল অদু সাউথ কোরিয়াগী কি সুঙ য়েঙনা পেনাল্টিদা চনখিবনি। মেটচ অদুদা ইভরটনগী গোলকিপর টিম হোৱার্ডতা রেফ্রিনা রেদ কার্দ অমা বুক তৌদুনা মেটচতগী তাম্থোকখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা হল সিটিবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী গোলশিং অদু খৃস স্মোলিং অমদি ৱেন রুনিনা গোল অমমম অমসুং জেমস চেষ্টরনা আউন গোল অমা চঞ্জখিবনি। হল সিটিগী গোল অনী অদুনা জেমস চেষ্টর অমদি দেবিদ মেয়লরনা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা নিয়ু কাসল য়ুনাইটেদনা ষ্টোক সিটিবু গোল ৫–১ দা অমদি ফুলহামনা নোরৱিচ সিটিবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।



গোল অনী চন্দুনা আর্সেনেলবু মায় পাকহনখিবা ইঙলেন্দগী ষ্ট্রাইকর থিও ৱালকোট।

## রবিচন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ৱাফানা এস ঐচ এফ সি থোইখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ ঃ*

এম রবিচন্দ্র ট্রষ্টনা শীন্দুনা ক্যামগৈ আইদেল হায় স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা মঙাশুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিএল ৭–এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা এস ঐচ এফ সি মাইরেনখোঙবু গোল ৪–২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাফাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু হেম্বনা ১৭ অমদি ৪০ শুবা মিনিটতা অনী, রোবীন্দ্রে অমসুং পিয়াবুংনা ২৪ অমদি ৩১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এস ঐচ এফ সিগী গোল অনী অদুনা নাওবা অমদি নাওচানা অহানবা অমসুং ৩৮ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

ৱাফাগী বিয়াবুং, জাদু অমদি এস ঐচ এফ সিগী নাওবদা রেফরিনা মথংশিংনা ৪, ৮ অমসুং ৪২ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমমম পীখি।

## ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ ঃ*

এম এস পি বি এম ব্রিক ফিল্ড ৱাংজিং সাবল চেক্কোন লৈকাইনা শীন্দুনা মথং থাগী ২ দগী ৬ ফাওবা ব্রিক ফিল্ড অসিগী বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ফোর থ্রি মেন ভেটেরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

ৱিন্নর অমদি রন্নরস অপতা শেলগী মনা লীশিং ১৩ অমসুং ৮ লৈগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানীংবা ক্লব, এসোসিয়েসন অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা জনুৱারী ১ ফাওবগী মনুংদা ওর্গনাইজিংগী ওফিসতা এন্ট্রি ফোর্ম পীশিল্লবা য়াগনি হায়রি।

## কোথাজিৎ, চীংলেনসনা ইন্দিয়ান হোকি ৱার্ল্ড লীগকি খনগৎপদা য়াওরে



*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ২৮ ঃ*

মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা মথং চহীগী জনুৱারী ১০ দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড হোকি লীগকি পুল–এ দা লৈরিবা ইন্দিয়া টিমগী শেম শান্নবগীদমক শান্নরোই ২৮ খনখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মণিপুরগী চীঙলেনসনা সিংহ কাঙুজম, অমদি কোথাজিৎ সিংহ খাদাংবম য়াওরি। ইন্দিয়াগী গ্রুপতা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন জর্ম্মনি য়াওনা ইংলেণ্ড, ন্যুজিলেণ্ড অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগা লৈমিন্নরি। গ্রুপ পুল–বিদনা নেদরলেণ্ড, বেলজিয়ম অমদি আর্জেন্টিনা লৈমিন্নরি। ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচ জনুৱারী ১০দা ইংলেণ্ডগা শান্নগনি।


CHEM
DISTANCE EDUCATION
(CENTRE FOR HIGHER EDUCATION MANIPUR)
Authorisd host Institute of Lovely Professional University, Punjab
Recognized by UGC
Regulatory Body of Govt. of India for Open and Distance Learning System)
Vide F.No. UGC/DEB/Decog./2013 (1233-1237)
PROGRAMMES OFFERED
COMPUTER APP./ IT/ COMP. SC.:
MCA* ,M.Sc. IT *,M.Sc.CS*, PGDCA,PGDIT,PGDCS, BCA* ,B.Sc.IT*, B,Sc. CS*, DCA,DIT,DCS,
MANAGEMENT:
MBA*,PGDBM,BBA*
LIBRARY & INFORMATION SCIENCES:
MLIS,BLIS,DLIS
ART (in English & Hindi Medium:
M.A
(Hindi, Economics, Education, History, Sociology, Political Science, English, Mathematics) B.A
COMMERCE:
M.Com,B.Com
Affordable Fees Structure
*LATERAL ENTRY & MIGRATION ALSO AVAILABLE
Prospectus and Application Forms are available at:
CHEM
CHANGANGGEI, Opp. IMPHAL TULIHAL AIRPORT
CONTACT : 0385-2455559 | 8414069061 | 8413036162



Millennium Institute of Sciences
Presents for the first time
MILLENNIUM SCHOOL
From 2014-15 Academic Session opening
Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
Special features : AC room for daycare
- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.
Form available from 7th November 2013
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.
SL/29/19/B